**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-06-2026)**

**মীতিং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা প্লান্নিং এন্দ দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (পি.দি.এ) গী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা গ্রেটর ইম্ফাল মনুংগী বিল্ডিং বাই লো শেমবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মীফম অদুদা পি.দি.এগী সেক্রেটরি-ৱাই. জয়কুমার অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**অমরোমদা,** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-রাজ্য সরকারনা শান্নরোইশিংবু পুকিং থৌগৎনবা অমদি মচিন তুমখৎলক্লিবা ফুটবোল শান্নরোইশিং মরুওইনা নুপীশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি।

চহিসিগী সাফ ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়ারুবা রাজ্য অসিগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই ৯ গা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নবদা শান্নরোইশিং অদুনা মুখ্য মন্ত্রিদা স্পোর্টস পার্সনশিংবু মপুং ফানা শৌগৎপীনবসু তকশিনখি।

**পোলিও (এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং পোকপদগীনা চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ অনি লিশিং ৯০ রোম পোলিও পীথক্কনি। মসিগীদমক পুন্না পোলিও বুথ লিশিং ২,৮৯৮ হাংদোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা ওইনা অঙাং লিশিং ৪৮ হেন্না হিদাক পীথকবা পান্দম থল্লি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা অঙাং লিশিং ৪৪ হেন্না, থৌবালদা অঙাং লিশিং ৩৪ হেন্না অমসুং সেনাপতি জিলাদা অঙাং লিশিং ৩৪ হেন্না পোলিও হিদাক পীথক্কনি।

হয়েং পোলিও বুথশিংদা হিদাক পীথকহৌদবশিংনা মথংগী নুমিৎ নিনিদা

য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা হিদাক পীথক্তুনা রাজ্য অসিদা চাদা ১০০ পোলিও পীথক বা পান্দম থল্লি।

মমা-মপা ওইবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিং পুথোরক্তুনা নুমিৎ অসিদা পোলিও পীথকবা হোৎনবীয়ু হায়না রাজ্য সরকারনা আপিল তৌরক্লি। রুটিন ইম্যুনাইজেসনশিংদা হান্না পোলিও পীথকখ্রবা অঙাংশিংসু হয়েং অমুক হন্না পীথকপদা অকায়বা লৈতে হায়রি।

**ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ** মণিপুরদা ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্তিংগী ওইবা ৭ সুবা মিদিয়া ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম ২০২৬-২৭ কী ওইনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা ইম্ফালগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ দিরেক্তোরেটকী কনফরেন্স হোলদা হৌজিক পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর-ডাঃ টি. বজ্রকুমারনা হায়-অইং আশাগী খল কায়থরকপনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অদুগী মত াংদা অরাইবা মওংদা খঙহন্নবা অমদি খল কায়দনা থমবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবগী ৱাখল্লোনদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রিটায়ার্দ প্রোফেসার অমসুং হান্নগী দিন-দেবানন্দ নিংথৌজমসু ৱা ঙাংখি।

**সেমিনার(এল)ঃ** অৱাং নোংপোক লমদমদা অঙনবা মতমদগী লৈরক্লিবা লৌশিংগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চত্থরকপা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবগী মাফম অমা ঙসি দি.এম. য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে।

মীফম অসি য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্ট্রি, দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী হিষ্ট্রি ক্লব অমসুং ইন্টলেকচুয়েল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্ট মনিপুরনা পুন্না শিনবনি। মসিদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা চে

পাথোকখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা লৈরিবা বন্দিশিংদা আইন অমদি বন্দিশিংগী পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা হৌজিক মণিপুর সেন্ত্রেল জেলদা পাঙথোকখে।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ, জষ্টিস এ. বিমোল সিংহ, হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ, জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা শরুক য়াখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকবগুম দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-কামজোংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ঙরাং ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম অমা আই.আর.সি.এ. সুংলিফাই খুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কামজোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং আই.আর.সি.এগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসনা শিনবনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনসু শিনদুনা মোরেগী ঐচ.টি.সি. কনফরেন্স হোলদা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী থৌরম পাঙথোকখি।

**ক্রোস (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীপুম খুদিংমক মীয়ামগী খ দুনা অমদি মথৌদাং খঙনা থবক তৌবা তঙাহফদে।

ৱাফম অসি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স মনিপুরগী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়নননা ১৭ শুবা মপোক কুমওন

থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। থৌবাল অথোকপমদা লৈবা আই.আর.সি.এস. থৌবাল ব্রান্সকী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী বিমোলনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়ামনসু খুন্নাইগী য়াইফনবা থবকশিং তৌবা মতম ওইরে। মসিনা হৌজিক হৌজিক মীয়ামনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহনবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওক্রম সুরজাকুমার, হান্নগী মন্ত্রি-ডা: এন. নরা য়াওনা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**আয়ুসমান (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ঙসি ককচিং নিংথৌ লৈকাই, সঙাইয়ুম্ফম লম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা আয়ুসমান ভারত-পি.এম.জে. এ. ৱাই. হেলথ কার্ডশিং বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী ইরেংবন্দদা এম.এল.এগী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী নুঙবা সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা নুঙবগী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর (সি.ঐচ.সি) দা অনা লায়েংগী লমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-সেন্টর অসিদা লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োকবনা মপুং ফানা মথৌ তৌদ্রে। মসিদসু নত্তনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী পাকথোক চাউথোকপগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা সেন্টর অসিগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লে। ঙসি নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: অজিন মরিংমৈ, দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার-ডা: জেনদুম গোলমৈ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স ওফিসার-হেলথ দিপার্টমেন্ট নোনে-ডা: গরাংলুং থাইমৈনা

লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা সেন্টর অসিগী ওক্সিজেন প্লান্ট লৈরিবা মফম, ট্রোমা সেন্টর, ব্লড বেঙ্ক, আই.সি.য়ু. অমসুং ষ্টাফ ক্বাটর লৈরিবা মফমশিং নীংথিনা য়েংশিনখি অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা শিনদুনা জিলা থাক্তা চত্থগদবা স্তোপ দাইরিয়া ২০২৬ কেম্পেইনসু হৌদোকখি।

**ব্লাইন (এল)ঃ** অনিরকশুবা ৱার্ল্ড দেফ ব্লাইন ডে-২০২৬ কী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ পরিক্ষা মায় পাক্লবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মহৈরোইশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদু হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসন মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমদেং ময়াই লৈকাইদা লৈবা ঐচ.দি. ফাউন্দেসন এক্তিভিতিজ সেন্টরদা পাঙথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি, লিলোং, চন্দ্রখোঙ অমদি তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী খুল্লাকপশিংগা উন্নদুনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা অফবা মরী থমবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থমবা পান্দমদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরাং অসি পায়খৎপনি।

**লাইরিক (এল)ঃ** হিষ্ট্রি ওফ মনিপুর, পরসপেক্তিব ওফ দা পাইওনিয়রস হায়না মিংথোনবা মনিপুরগী শকাইরবা হিষ্টোরিয়ন-প্রোফেসার-নাওরেম জয়কুমার সিংহনা ইদিট তৌবা অকানশা পাব্লিকেসননা পাব্লিস্ত তৌবা লাইরিক অমা ঙসি ইম্ফালদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নার-শ্রী এম. জয় সিংহনা ফোংখ্রে।

লাইরিক অসিগী মতাংদা প্রোফেসার-নাওরেম জয়কুমারনা হায়-মনিপুরগী ইতিহাস অমসুং অপুনবা শক্তম তুংগী মীরোলশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবদা

লাইরিক অসিনা চাউনা কান্নবা পুরক্কনি। লাইরিক অসি মনিপুরগী ইতিহাসকারশিংদা কৎথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী এম. জয়না হায়-মনিপুরগী ইতিহাস, লিটরেচর অমসুং কলচর অসিনা রাজ্য অসিগী সমাজ অসিগী শকয়েং মিংশেলনি।

**শৈরেং (এল)ঃ** মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মসা-ৱাংজিংনা শিনদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী থাক্তা মহৈরোইশিংগী ওইবা শৈরেং চাংদমবা অমা হৈরোক পার্ট টুদা লৈবা এন. চাউবী মেমোরিএল স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অদুগী মাংওইননা স্কুলগী কমপ্লেক্সতা পরিষদকী থৌমীশিংনা উ চারা কয়া থাখি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. ইম্ফাল পৱার হাউস ষ্টেসনগী এলেভন কে.ভি. সেক্রেটরিয়েট ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক ঐচ.টি. কন্দক্টরশিং শিন্দোকপা অমদি কভর তৌবগী থবক পায়খৎকদবনা মরম ওইরগা অয়ুক পুং তরাদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মখায় ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী পাউনা হায়রি।

**অকাশবানি (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী সেনিয়ার টেকিসিয়ান-রুংহ্রপাম লৈসন, ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৫৬ শুখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা সেশেলসতা থুংখ্রে। মহাকা ঙসি সেশেলসকী ভিক্তোরিয়া ইয়ারপোর্টতা থুংলবা মতমদা সেশেলসকী রাস্ত্রপতি-ডা: পেত্রিক হারমিনিনা তরামা ওকখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সেশেল লৈবাক অসি মতম শাংনা ভারতকা অফবা মরুপ মপাং ওইবগী মরী থমদুনা

লাক্লি। মহাক্কী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অসিদা ভারত অমসুং সেশেলস লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না অচেৎপা মরী থমদুনা থবক থৌরম কয়াদা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা চাউখৎ মায়কৈদা চংশিল্লকবগী পান্দম থল্লি। লৈবাক অনিনা হীরম কয়াদা তেংবাংনবা অসিনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা ভারতকী নাৎ অমদি চৎনবী ঙাকা মফম কয়াদা হরাউ কুম্মৈনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোকপা অসি শিংথানিংঙাইনি। খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ভারতকী অহানবা প্রধান মন্ত্রি ওইনা সেশেলস লৈবাকনা নিং খা তমখিবা চহি ৫০ শুরকপগী নীংশিং থৌরমদসু প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াগনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৫ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ন্যুক্লিয়ারঃ** ন্যুক্লিয়ারগী মতেংনা মৈশা পুথোকপা, কোপর-ক্লোরিন থারমোকেমিকেল সাইকলদা যুম্ফম ওইবা মালেমগী ইহান হানবা হাইড্রোজেন প্রদক্সন ফেলিসিতি দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনজিগী সেক্রেটরি-অজিৎ কুমার মোহোনতিনা ঙসি কালপাকমগী ইন্দিরা গান্ধি সেন্টর ফোর এটোমিক রিছার্সকী

ফার্ষ্ট ব্রিদর টেষ্ট রিয়েক্তরদগী হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: মোহোনতিনা হায়-ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি অমসুং ক্লিন ইনর্জি টেকোলোজিশিং পুনশিন্নদুনা অসিগুম্বা হাইড্রোজেন প্রদক্সন ফেসিলিতি হাংদোকপা অসি তুংদা ইনর্জিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবগী লমদা থাংজিনবা মরুওইবা খোঙথাং অমনি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী কোওপরেটিব টেক্সি সার্ভিস-ভারত টেক্সি লৈবাক অসিগী সহর ৫০০ দা লাক্লিবা চহি অনিগী মনুংদা হৌদোক্লগনি।

গুজরাটতা ঙসি ভারত টেক্সি হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-মসি কোওপরেটিবকী লমদা অওনবা খোঙথাং অমা ওইনা পায়খৎপনি। শ্রী সাহনা হায়-থৌওং অসিনা ড্রাইভরশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবতা নত্তনা পেসেঞ্জরশিংগীসু ভারা হন্থহনবগা লোয়ননা অশোয় অঙাম থোকহল্লোই।

**অমিষ্টাদ ঃ** ভেনিজ্যেলাদা যুহার হাবদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখিবা অমদি অশোক অপন নংবগা লোয়ননা চাউনা অমাং অতা থোকখিবগী থৌদোক অদুদা তেংবাংনবগীদমক ভারতনা ঙসি ওপরেসন অমিষ্টাদ হৌদোকখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না চেরোল অমদা হায়- ওপরেসন অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী সি-সভেন্তিন গ্লোব মাষ্টর এয়ারক্রাফট অনি ঙসি অয়ুক তেংবাংগী পোৎলমশিং অমদি মী কনবা কাংবু অমগা লোয়ননা ভেনিজ্যেলা পাংখ্রে। তেংবাংগী পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা ভারতকী মেদিকেল টাস্ক ফোর্স, ঐচ.এ.দি.আর পেলেটশিং অমদি হিদাক লাংথকশিংগা লোয়ননা ভারত লাম্মীগী ফিল্ড হোস্পিতাল য়ুনিত অমা তেংবাংগী পোৎলম মেত্রিক টন ৩০, হিদাক লাংথক অমসুং মেদিকেল ইক্যুপমেন্ট মেত্রিক টন ৬ অমসুং ভিসম ক্যুব পোর্তেবল হোস্পিতাল অনিনচিংবা য়াওরি।

**ফিফঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী মেটচশিংদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুং অনি মখায় তাবা মতমদা পানামাগা ইংলেন্দগা অমসুং ক্রোসিয়াগা ঘানাগা শান্নগনি।

হয়েং অয়ুক পুং ৫ দা কলম্বীয়াগা পোরর্টুগলগা অমদি কোংগোগা উজবেকিস্তানগা শান্নগনি। অয়ুক পুং ৭ মখায়দনা অলজেরিয়াগা ওষ্ট্রিয়াগা অমসুং জোরদানগা অরজেন্তিনাগা শান্নগনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-ত্বেন্তি ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ় পার্ট টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট ১০ দা থোইখি।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন-লালাম্বুংবু রন-১৮ দা থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফিগী ফাইনেল মেটচ হয়েং শান্নরগনি। মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ-লুৱাংশংবমদা শান্নগদবা মেটচতা-আর.সি.এ. লিলোংগা অক্সদো-খাঙবোককা থেংনগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** পি.এস.দি.য়ু. টিম (এ) লমজাউ, অহানবা পি.এস.দি.য়ু. ত্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চংলে।

পোল স্তার দিবলপমেন্ট য়ুনিয়ননা শিনদুনা মসিগী গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা পি.এস.দি.য়ু. টিম (এ) না ডব্লিয়ু.এম.ৱাই.দি.এ. ৱাবগাইবু পেনালতি সুট আউটতা ৩-২ দা থোইখিবনি।